# সনালৈবাক স্পোর্টস


IMPHAL, FRIDAY, FEBRUARY 21, 2020 **PAGE 7**





*খূউ শোকপদগী চহী অসিগী মে থাদগী হৌগদৌরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনদা শরুক য়ারোইদৌবগী ফিভমদা লৈরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর*

*জপানগী হোন্দা কম্পেনিগা কুমজা ২০২৪ ফাওবা কোন্ট্রেক্ট শাংদোকখ্রবা মোটোজিপিগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন মার্ক মারক্কেজ*




## এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়ানা গোল্ড অহুম অমসুং সিলভর অমা লৌখ্রে



*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২০ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড অহুম অমসুং সিলভর মেডল অমা লৌখ্রে।

চথরিবা এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখ্রবশিং অদুদি কেজি ৬৮গী কেটেগোরিদা দিভ্যান কাক্রান, কেজি ৫৯গী কেটেগোরিদা সরিতা অমসুং কেজি ৫৫ গী কেটেগোরিদা পিঙ্কীনি। সিলভর মেডল অদুনা কেজি কেজি ৫০গী কেটেগোরিদা নিরমালা দেবীনা ফংখিবনি।

এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৬৮গী ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর দিভ্যা কাক্রাননা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা জুনিয়র ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন জপানগী নারুহা মাটসুয়ুকীবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী রেষ্টলর দিভ্যা কাক্রান এসিয়ান গেমসতা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী রেষ্টলরনি। কেটেগোরি অসিগী ব্রোঞ্জ মেডলনা মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর মোঙ্গোলিয়াগী দেলগরমা ইনখসাইখাননা ফংখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কেজি ৫৯গী ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সরিতা মোরনা মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর বাটসেটসেগপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং পোইন্ট ৩–২ দা থোইদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। কেটেগোরি অসিগী ব্রোঞ্জ মেডলনা কজাখষ্টানগী রেষ্টলর মাদিনা বাকবরজেনোভানা লৌখি।

এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী ঙসি লম্বা তৌনখিবা কেজি ৫৫ গী ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর পিঙ্কীনানা মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর দুলগুন বোলোরমাবু মায়থিবা পীরল্লগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। কেটেগোরি অসিগী ব্রোঞ্জ মেডলনা কজাখষ্টানগী রেষ্টলর মেরিনা জুয়েভানা ফংখি।

নুপীগী কেজি ৫০গী ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর নিরমালা দেবী জপানগী মিহো ইগারাসিগী মখূত্তা পোইন্ট ২–৩ দা মায়থিহৌদুনা সিলভর মেডল ফংহৌখি অদুগা জপানগী ইগারাসিনা গোল্ড মেডল লৌখি।

কেজি ৭৬ কী কাঙলূপ্তা জপানগী হিরো মিনাগাৱা সুজুকীনা ফাইনেল বাওটতা কজাখষ্টানগী আইপেরি মেদেটপু মায়থিবা পীরল্লগা গোল্ড মেডল লৌখি। কেটেগোরি অসিগী ব্রোঞ্জ মেডলনা কজাখষ্টানগী অতোপ্পা রেষ্টলর ইলমিরা সিজদিকোভানা লৌখি।

এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কেজি ৭৬ কী কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী কিরন মেডল রাউন্দ য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি। মহাক বাওট অহুম্মক মায়থিখি।

## ইটালিগী অটলান্টানা স্পেনগী ভেলেন্সিয়াবু ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল নকশিনখ্রে



*অটলান্টা, ফেব্রুৱারি ২০ (এজেন্সি)ঃ*

য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচশিংদা ইটালিগী ক্লব অটলান্টানা স্পেনগী ক্লব ভেলেন্সিয়াবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল নকশিনখ্রে, অতোপ্পা মেটচ অমদা জর্মনিগী রাসেনবোস্পোর্ট লৈপজিগনা ইংলেন্দগী টোটেনহাম হোটস্পরবু ১–০ দা থোইখ্রে।

য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অটলান্টাগী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা সান সিরোদা অটলান্টা অমসুং ভেলেন্সিয়ানা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অসি য়ুম্বু টিম ওইরিবা অটলান্টাগী শান্নরোইশিংনা হৌবগী এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ১৬শুবা মিনিটতা এটেক হেন্না চথবা ঙমখিবা অটলান্টাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা আলেজান্দ্রো গোমেজনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট হান্স হাটেবোরনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

গোল শোথরিবা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু অটলান্টাগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী গোল হন্দাকপা ঙমহন্দনা থমখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনিট ৩ খক্তা ঙাইরবা মতমদা গোল মাঙজিল থারিবা অটলান্টাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই জোসিপ ইলিসিকনা টিমমেট মারিও পাসেলিক্কী মতেংদগী গোল অমাগা চনশিন্দুনা অটলান্টানা ভেলেন্সিয়াবু ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবা হৌরকপদসু গোল অনী মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা অটলান্টাগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা লাকখি। শান্নবগী ৫৭শুবা মিনিটতা অটলান্টাগী শান্নরোই রেমো ফ্রিয়ুলরনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ভেলেন্সিয়াবু গোল ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা খূৎ হনবা ঙম্লোইদবা মওংদা থমখি।

গোল শোথরিবা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিং অটলান্টাগী শান্নরোইশিংনা মখোয়গী মথক্তা চনশিল্লকখিবা গোলশিং অদু হন্দাক্নবা ফনা কন্না হোৎনদুনা লাকখ্রবসু অটলান্টাগী দিফেন্দরশিংনা খুদোংচাবা ফংহনখিদে।

ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংনা শোথরিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৬২শুবা মিনিটতা অটলান্টাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা গোল চনখিবা হান্স হেটবোরনা টিমমেট মারিও পাসেলিকনা য়াম্না ফজবা পার্স অমদা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৪–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৬৬শুবা মিনিটতা হোৎনবা লেপখিদবা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা রুশিয়া মচা দেনিস চেরিসেভনা গোল অমা চনশিন্দুনা শোথরিবা গোল ৪ গী মনুংদা অমা হন্দোকপা হৌখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবদা গোল শোথরিবা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্নবা কন্না হোৎনদুনা লাকখিবশিং অদু অটলান্টাগী শান্নরোইশিংনা মায় পাকহন্দনা লৈহনখি। অমরোমদা অটলান্টাগী শান্নরোইশিংনসু মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা অহেনবা গোল চনশিনবা ঙমখিদবদগী য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অসি য়ুম্বু টিম ইটালিগী ক্লব অটলান্টানা স্পেনগী ক্লব ভেলেন্সিয়াবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী খুদোংচাবা হেন্না ফংখি।

অটলান্টা অমসুং ভেলেন্সিয়ানা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা লেগকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু মার্চ ১০ অথেংবদা ভেলেন্সিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লম্বা তৌনরগনি।

য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা লেগকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা জর্মনিগী ফুটবোল ক্লব রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিগনা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরবু গোল ১–০ দা থোইখি।

টোটেনহাম হোটস্পরনা য়ুম্বু ওইরগা টিম অসিগী হোম গ্রাউন্দ টোটেনহাম হোটস্পর ষ্টেদিয়মদা লৈপজিগকা শান্নখিবা অহানবা লেগকী মেটচ অসি হেক হৌবদগী টিম অনীমক য়াম্না পাঙ্গল মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখ্রবসু গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙম্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৮শুবা মিনিটতা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোই বেন দেভিসনা মখোয়গী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা চৎন–পথাপকী ৱাংমদা লৈপজিগকী শান্নরোই অমদা ফাওল তৌরুবদগী লৈপজিগনা পেনাল্টি অমা ফংখি।

পেনাল্টি কিক অদু লৈপজিগকী শান্নরোই টিমো ৱেরনরনা গোল ওন্থোক্তুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংদা প্রেসর পীশিনবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল ওইথোকপা য়াবা খুদোংচাবা খরা ফংনখ্রবসু টিম অনীগী গোলকিপরশিংনা মখোয়গী মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্নখিবদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অসি লৈপজিগনা হোটস্পরবু ১–০ দা থোইখি। টিম অনীগী অনীশুবা লেগকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মার্চ ১০গী অথেংবদা শান্নরগনি।

## ‘ঐখোয়না প্লানগী মতুং ইন্না শান্নরবদি ওষ্ট্রেলিয়াবু লায়না মায়থিবা পীবা ঙমগনি’




*ভুবনেশ্বর, ফেব্রুৱারি ২০ (এজেন্সি)ঃ*

ঐখোয়না প্লানগী মতুং ইন্না শান্নবা তারগদি ৱার্ল্ড নম্বর টু ওষ্ট্রেলিয়াবু য়াম্না লায়না মায়থিবা পীবা ঙমগনি হায়না ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমদা মিডফিল্ডর ওইনা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী শান্নরোই কাঙুজম চীংলেনসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুরগী শান্নরোই কাঙুজম চীংলেনসনা সিংহ ইন্দিয়াগী সেনিয়র নেসনেল হোক্কী টিমদা মতম কয়াগী মমাঙদগী শরুক য়াদুনা ইন্টরনেসনেলগী মেটচশিং শান্নবদা য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই অমনি।

হয়েংদগী হৌরগা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নগদৌরিবা এফ আই ঐচ প্রো লীগ অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখোয়গী হান্না লৈরিবা প্লানশিংগী মতুং ইন্না শান্নবা ঙম্লবদি শান্নগদৌরিবা মেটচ অনীমক্তা মায় পাকপদা চাওনা কান্নহল্লগনি হায়না চীংলেনসনানা ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মেটচশিং অসি ওড়িষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা ইরাই অমসুং থাংজ নুমিৎতা শান্নগদৌরি। নীংশিংবা য়াই প্রো লীগকী অসিগী মনুং চন্না হন্দক্তা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন বেলজিয়মনা শান্নখিবা মেটচ অনীদা টিম অনীমক মেটচ অমমম মায় পাক্লখিবনি।

আর্জুনা এৱার্দি চীংলেনসনা সিংহ কুমজা ২০১৯ গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা সেনিয়র নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াবা হৌরকপদা মহাক্কী ওইথংবা খোঙনিং নারকপদগী স্কেন তৌদুনা য়েংবদা ফ্রেকচর লৈরমখিবদগী মতম খরা মশান্না অসিদগী পোথাদুনা লাকখিবনি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা চীংলেনসনা মমাঙ থাদা নেদরলেন্দসকা শান্নবা হৌখিবা এফ আই ঐচ প্রো লীগকী মেটচশিংদা শরুক য়াদুনা টিম অসিগী স্কৱাদতা অমুক হল্লকপা ঙমখিবনি।

## টি–২০ ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া শান্নরগনি

*সিদনি, ফেব্রুৱারি ২০ (এজেন্সি)ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা হয়েংদগী শান্নবা হৌগদৌরিবা আই সি সি টি–২০ ৱুমেন’স ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়ানা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৪ রক ফংখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিমগা লম্বা তৌনরগনি।

নীংশিংবা য়াই, হন্দক্তা ইন্দিয়া, ইংলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নখিবা টি–২০ ত্রাই সেরিজগী ফাইনেল মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াবু ইন্দিয়াবু মায়থিবা পীদুনা সেরিজ লৌবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম অসি হরমনপ্রিত কোরনা কেপ্টেন ওইরিবনি।

ইন্দিয়াগী মিডল ওর্দর অমসুং লৱার ওর্দরগী বেটসৱুমেনশিং অসিনা ফগৎপা ঙম্লবদি হয়েং শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইংলেন্দগী টিম্বু নোক আওট ষ্টেজশিংদা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীবা ঙমগনি হায়না ইন্দিয়াগী ওপনর স্মিৃতি মন্ধনানা ফোঙদোকখি।

বোল্লর অমা ওইনা মায়োক্নবা টিমগী বেটসৱুমেনশিংবু ঙল্লিঙৈ মতমদা আওট ওইহন্নবা হোৎনবদা মহাক্কী পান্দম ওইগনি হায়না টি–২০দা ৫শুবা হায়েষ্ট ৱিকেট টেকর ওইরিবী সিখা পান্দেনা ফোঙদোকখি।

## হায়দরবাদনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদপু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখ্রে

*গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারি ২০ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি গুৱাহাটিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী এঠলেটেক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা হায়দরবাদ এফ সিনা য়ুম্বু টিম নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিবু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী ভিজিটর টিম ওইরিবা হায়দরবাদকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। শান্নবগী ১২শুবা মিনিটতা হায়দরবাদকী শান্নরোই লিষ্টন কোলাকোনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মথংগী মিনিটতা হায়দরবাদকী শান্নরোইশিংনা থুনা য়াঙনা পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই মার্সেলিনহোনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি। মখা তাবা শান্নরকপা মেটচকী ৩৫শুবা মিনিটতা গোল শোথরিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা মার্টিন চেভসনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট এন্দি কিওগনা গোল অমা হন্দোকপা হৌখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনিট ৪ ৱাংলিঙৈদা হায়দরবাদকী মায়কৈদগী অহানবা গোল চনখিবা লিষ্টন কোলাকোনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৫শুবা মিনিটতা গোল মাঙজিল থারিবা হায়দরবাদ এফ সিগী শান্নরোইশিংগী মখা তাবা এটেক অমদা মোহমদ য়াসিরনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৪–১ দা হেল্লগা মেটচ অসি মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিল্লকখি।

গোল শোথরিবা নোর্থ ইষ্টকী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্নবা অনৌবা লাল্লোং শীজিন্নদুনা এটেক কয়া চথরকখিবশিং অদু হায়দরবাদকী শান্নরোইশিংনা অরেম্বা তাহন্দুনা লাকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইগদবা মিনিট ২ ৱাংলিঙৈদা হায়দরবাদকী অনীশুবা গোল চনখিবা মার্সেলিনহোনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি মখোয়না নোর্থ ইষ্টপু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

## সাইনা, সমির অমসুং জয়ারাম ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*বার্সেলোনা, ফেব্রুৱারি ২০ (এজেন্সি)ঃ*

স্পেনগী সিটি বার্সেলোনাদা চথরিব য়ু এস দোলর ১৭০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা স্পেন মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল, সমির ভর্ম অমসুং অজয় জয়ারাম ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

স্পেন মাষ্টর্স অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা য়ুক্রেনগী মারিজা উলিটিনাবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১০, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা থাইলেন্দগী বুসানন ওংবামরুংফানগা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী সমির ভর্মনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী শান্নরোই কাই স্কেফরবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২১–১৪, ১৬–২১, ২১–১৫ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

স্পেন মাষ্টর্স অসিগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারামনা টিমমেট ৩শুবা সিদেদ কিদম্বী শ্রিকান্থপু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–৬, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা ফ্রান্সকী শান্নরোই থোমাস রোজেলগা লম্বা তৌনরগনি।

## দিভিজ সরন ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*ফ্লোরিদা, ফেব্রুৱারি ২০ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী টেন্নিস শান্নরোই দিভিজ সরন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী অরটেম সিটাক য়ু এসকী সিটি ফ্লোরিদাদা চথরিবা দেলরে বিচ ওপনগী নুপাগী দবলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দদা কুমজা ২০১৮ এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী দিভিজ সরননা ওষ্ট্রেলিয়াগী অরটেম সিটাকগা পেয়র ওইদুনা শান্নরকপদা স্বিদেনগী এন্দ্রি গোরাসন অমসুং ফ্রেন্সকী উগো হমবার্টপু সেট অহুম চঙনা য়াম্না কন্না লম্বা তৌনরবা মতুং ৫–৭, ৬–৪, ১০–৭ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

ইন্দিয়াগী দিভিজ সরন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী অরটেম সিটাকনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টোপ সিদেদ য়ু এসকী মাইক ব্রাইন অমসুং বোব ব্রাইনগা হয়েং লম্বা তৌনরগনি। বোব অমসুং মাইকনা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র কিরগিওস অমসুং থোমসনবু থোইরম্বনি।


### টঁ৩ / Wallet Lost

I have lost my Wallet including (i) Voter Card bearing no. KTM0140939, (ii) Aadhaar Card bearing no. 2557 6617 9803, (iii) ATM Card of UBI Bank issued by Mantripukhri Branch bearing A/C No. 0652011105700 (iv) Registration Card (Two wheeler) bearing No. MN06SA 6745, (v) Pan Card & some money on the way in between Heingang and Nagamapal RIMS road on 19th Feb. 2020.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/-
Soibam Jayenta Singh
Heingang Makha Leikai
# 9615346608

SL/B(B)/21



**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Sagolmang, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 117/SDC/SLG/IE of 19/2/2020*

1. Nameirakpam Samungou Meitei S/o N. Mangi Meitei of Loushangkhong Awang Leikai
2. Nameirakpam Rakesh Meitei S/o Late N. Ibocha Meitei of Loushangkhong Awang Leikai

***- Petitioners***

***-Verses-***

1. Late Nameirakpam Mani Singh S/o Gourahari Singh of Keibi Loushangkhong
2. Late Nameirakpam Ibocha Singh S/o Gourahari Singh of Keibi Loushangkhong

***- Opposite Parties***

**NOTICE**

*Sagolmang, Dated 19th February 2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ ইঃ তহশিল খুল নং 35-Keibi Loushangkhong পাট্টা নং 6 (অরিবা) 231 (অনৌবা), দাগ নং 68 মোট এরিয়া 0.41 একর চাওবা Ingkhol ইংখোলগী Pattadar মৃত্তু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি/Objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোটকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

**SL/B/21**


ক্রোসৱার্দ ৪৩৫ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | L | A | W | | H | E | A | R | | A | L | O | F | T |
| N | O | T | I | | I | D | L | E | | P | O | L | A | R |
| I | D | O | S | | D | I | S | S | E | R | V | I | C | E |
| P | I | N | E | S | | T | O | U | T | | E | V | E | S |
| | | | T | O | T | | | M | O | U | S | E | R | S |
| D | I | S | O | B | E | D | I | E | N | C | E | | | |
| A | B | A | | | R | O | D | | | L | A | M | B | S |
| D | I | S | C | O | N | T | I | N | U | A | T | I | O | N |
| A | S | S | A | D | | | O | U | T | | | D | N | A |
| | | | D | I | S | E | M | B | A | R | K | I | N | G |
| T | A | K | E | N | I | N | | | H | I | E | | | |
| O | N | A | N | | T | E | E | D | | M | E | T | O | O |
| D | I | S | C | O | U | R | S | E | S | | P | U | M | A |
| A | S | H | E | R | | G | A | L | E | | U | N | I | T |
| Y | E | A | S | T | | Y | U | L | E | | P | A | T | H |


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mut. Case No. 244/SDC/IW(C) dt. 17/02/2020

Khaidem (ongbi) Thounaojam Chombi Devi
W/o (L) Khaidem Ruhinikumar Singh of Uripok Sinam Leikai
Petitioner

-Vs-

(Late) Khaidem Ruhinikumar Singh S/o (L) Tomba Singh of of Uripok Sinam Leikai
O.P

**NOTICE**

Imphal, the 20-02-2020

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা পাট্টাদার Late) Khaidem Ruhinikumar Singh S/o (L) Tomba Singh of of Uripok Sinam Leikai গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিলগী খুল নম্বর 88-Lalambung গী অরিবা পাট্টা নম্বর 101 অনৌবা পাট্টা নং 152 দাগ নং 4294 অমসুং এরিয়ানা 0.09690 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central) উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central

SL/5870/21



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mut. Case No. 245/SDC/IW(C) dt. 17/02/2020

Phijam Rajesh Singh S/o (L) Nodiyachand Singh of Takyel Kolom Leikai
Petitioner

-Vs-

Phijam Nodiyachand Singh S/o (L) Tombi Singh of Takyel Kolom Leikai
O.P

**NOTICE**

Imphal, the 20-02-2020

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা পাট্টাদার Phijam Nodiyachand Singh S/o (L) Tombi Singh গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিলগী খুল নম্বর 93-Takyel Khongbal গী অরিবা পাট্টা নম্বর 179 অনৌবা পাট্টা নং 269 দাগ নং 642 অমসুং এরিয়ানা .1050 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central) উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central

SL/5869/21